

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, WEDNESDAY, AUGUST 14, 2019 **PAGE 7**




*উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টতা পাঙথোকখিবা ৩০শুবা ষ্টেট থাঙ–তা চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯ দা বেষ্ট দিসিপ্লিন বোইজ ওফ দি চেম্পিয়ন তাখ্রবা উখ্রুলগী শান্নরোই মেসথিং রোনরা*

*চহী অসিগী জুলাই থাদা মহারাষ্ট্রদা পাঙথোকখিবা আই বি বি এফ এফকী ৫৯শুবা মিষ্টর ইন্দিয়া টাইটল লৌরক্লবা এম রোবি*

## কম্মনৱেল্‌ঠ গেমস ২০২২ দগী নুপীগী টি–২০ ক্রিকেট অমুক হন্না য়াওরগনি

*ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৩ (এজেন্সি)ঃ*

কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসতা চহী ২৪ ক্রিকেট মশান্না য়াওরুদ্রবা মতুং লাক্লিবা কুমজা ২০২২ বিরমিংহম কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসতগী নুপীগী টি–২০ ক্রিকেট য়াওরগনি হায়না কম্মনৱেল্‌ঠ গেমস ফেদরেসননা ফোঙদোকখ্রে।





গেমস অসিদা নুপীগী টি–২০ ক্রিকেটকা লোয়নননা বিচ ভোল্লিবোল অমদি পেরা টেবল টেন্নিসসু য়াওরগনি অদুবু সুট্টিং মশান্না হাপচিনবগী মতাংদদি ৱাফম অমত্তা ফেদরেসনননা ফোঙদোকপা লৈত্রি।

গেমস অসিদা ক্রিকেট মশান্নবু অমুক হন্না হাপচিল্লকপা অসিদা নুংঙাইবা ফোঙদোক্লদুনা ইংলেন্দ অমদি ৱেল্‌স ক্রিকেট বোর্দ (ই সি বি) গী চীফ ইকজিক্যুটিভ টোম হরিসন্না হায়, মশান্না অসি অমুক হন্না য়াওল্লকপা অসিনা নুপী শান্নরোইশিংদা হেন্না পূক্নিং থৌগৎপগী মচাক অমা শোয়দনা ওইরগনি। মসিনা নুপীশিংবু মশান্না অসিদা হেন্না চিংশিংহনবা ঙম্লগনি হায়রি।

বৃটেনগী স্পোর্টস মিনিষ্টর নিগেল এদামসনা ফোঙদোকখিবদা মালেমগী ওইনা অচৌবা শান্নবগী কম্পিটিসন অমদা নুপাশিংগী ইভেন্ট মশীংদগী নুপীগীনা হেন্না য়াম্বা হায়বসি হন্দক্কী কম্মনৱেল্‌ঠ গেমস অসিনা ওইরগনি। মসিগীদমক য়াম্না চাওথোকচবা পোকই।

পনবা য়াবদি কুমজা ১৯৯৮ দা কোলা লুম্পুরদা পাঙথোকখিবা কম্মনৱেল্‌ঠ গেমস অদুদা শান্নখিবা ক্রিকেট মেটচ অদুনা গেমস অসিদা মশান্না অসি য়াওখিবা অরোইবা গেমস ওইখিবনি। মসিদা নুপাগী ওভর ৫০গীদা জেক কালিসনা কেপ্টেন ওইখিবা সাউথ অফ্রিকানা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।

কুমজা ২০২১ গী ৱুমেন’স ক্রিকেট ৱার্ল্ড কপ ন্যু জিলেন্দনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবনি। লৈবাক অসিগী কেপ্টেন এমী সেট্টর্থৱাইটেনা ফোঙদোকখিবদা বিরমিংহম কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসতা নুপীগী টি–২০ ক্রিকেট য়াওহনবা য়াবসি মশান্না অসিবু নুংশিবীদুনা লৌখৎবা য়াম্না অচৌবা থৌরাং অমনি হায়না শিংথাখি।

কুমজা ২০২২ দা ইংলেন্দগী সিটি বিরমিংহমনা য়ুম্বু ওইদুনা চহী অসিগী জুলাই ২৭ তগী ওগষ্ট ৭ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা কম্মনৱেল্‌ঠ গেমস অসিদা তোঙান–তোঙানবা লৈবাকশিংদগী লাকপা শান্নরোই ৪৫০০ হেনবনা মশান্না ১৯ দা লম্বা তৌনরগনি।

## নেষ্টর গোরদিল্লো থা মরিগী অথিংবা থমখ্রে

*পুনে, ওগষ্ট ১৩ (এজেন্সি)ঃ*

হন্দক্তা আই লীগ চেম্পিয়ন চেন্নাই সিটিদগী ইন্দিয়ান সুপর লীগকী ক্লব এফ সি পুনে সিটিদা নৌনা সাইন তৌখিবা স্পেন মচা নেষ্টর গোরদিল্লোবু ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ) গী প্লেয়র্স ষ্টেটস কম্মিটিনা থা ৪ গী অথিংবা থমখ্রে। লোয়নননা পুনে সিটিসু ট্রান্সফার তৌবদা অথিংবা থমজিনখ্রে।

পনবা য়াই, এফ সি পুনে সিটিনা প্লেয়র্স ষ্টেটস কম্মিটিবু অরানবা পাউ পীশিন্দুনা লান্না লমজিংখি। হিরম অসিগী মতাংদা চেন্নাই সিটিগী মপু রোহিট রমেসনা ৱাকৎলকপগী মতুং ইন্না কম্মিটি অসিনা কুন্না থিজিল্লবা মতুং এফ সি পুনে সিটি মরাল লৈরে খঙলকপদগী ক্লব অসিবু ট্রান্সফার তৌবদা অথিংবা থমখিবগা লোয়নননা লুপা লাখ ৫ ফাইন ওইনা থিহন্নবা য়াথং পীখিবনি।

চেন্নাই সিটি এফ সিদগী নৌনা পুনে সিটিদা ট্রান্সফার তৌখ্রবা স্পেন মচা নেষ্টর গোরদিল্লোসু মথৌ তাবা ট্রান্সফার ফি পীথোক্তবা অমদি চেন্নাইগী কন্ট্রেক্ট মতম চহী অমা ৱাৎলবসু মাঙজৌননা সাইন তৌশিনখবগীদমক থা ৪ অথিংবা থমখিবনি।

## কপিল দেভনা লুচিংবা সি এ সিনা ইন্দিয়ান ক্রিকেট টিমগী চীফ কোচ লৌনবগী মীওই তরুক্কী ইন্টরভিয়ু পাঙথোক্লগনি

*মুম্বাই, ওগষ্ট ১৩ (এজেন্সি)ঃ*

ৱার্ল্ড কপ ৱিন্নিং কেপ্টেন ইনিদয়াগী কপিল দেভনা লুচিংবা ক্রিকেট এদভাইজরি কম্মিটি ( সি এ সি) না ইনিদয়াগী নুপা ক্রিকেট টিমগী চীফ কোচ লৌনবগী খনগৎখ্রবা মীওই ৬ কী ইন্টরভিয়ু পাঙথোক্লগনি হায়না বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইনিদয়া ( বি সি সি আই) গী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।



ক্রিকেট এদভাইজরি কম্মিটিনা লৌগদৌরিবা মীওই ৬ কী ইন্টরভিয়ু অসি লাক্কদৌরিবা ইরাই নুমিৎতা বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়াগী হেদ ক্বার্টর মুম্বাইদা পাঙথোক্কনি হায়না পাউ অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ইন্দিয়াগী নুপা ক্রিকেট টিমগী চীফ কোচ লৌনবগী ইন্টরভিয়ুদা শরুক য়াগদবা মীওই ৬ কী মমিং অদুদি হৌজিক–হৌজিক ইন্দিয়াগী চীফ কোচ ওইরিবা রবি সাস্ত্রি, টোম মুদি, মাইক হেসন, লালচান্দ রাজপুট, ফিল সাইমোন্স অমদি রোবিন সিংহনি।

ইন্টরভিয়ু অসিদা শরুক য়াগদবা মপান লৈবাক্কী মীওই খরদি মিটিং অসিদা লাকপা ঙম্লোইদবা মরম্না সেলেক্সন পেনেল অসিগা ভিদিও কোলগী মতেংনা ইন্টরভিয়ু পাঙথোক্কনি হায়না বি সি সি আইগী ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

চীফ কোচ ফম অসিগীদমক বি সি সি আইনা এপ্লিকেসন ২০০০ হেন্না থাজিল্লকখিবনি। অদুবু ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলিনদি হৌজিক–হৌজিক চীফ কোচ ওইরিবা রবি সাস্ত্রিবু মখা তানা অদুম্মক চীফ কোচ ওইহন্নিংবগী অপাম্বা ফোঙদোক্তুনা লাকখিবনি।

ক্রিকেট এদভাইজরি কম্মিটিগী মেম্বরশিংনা অরোইবা ওইনা সোর্টলিষ্ট তৌখ্রবা মীওই ৬ তা ই–মেল থাদুনা খঙহনখ্রে। মেম্বরশিংনা ওগষ্ট ১৫ দা মুম্বাইদা থুংলগদবনি মদুগী মতুং দা অফবা কেন্দিদেট অদু খল্লগনি হায়না বি সি সি আইগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

নাকল অমরোমদা কপিল দেভ, অন্সুমান গেকৱাদ অমদি সান্থা রঙ্গস্বামীনা শাবা মেম্বর ৩ গী কম্মিটিনা হেদ কোচ খনগনি। অদুগা সম্পোর্ট ষ্টাফশিংগী ওইনা বি সি সি আইগী চীয়রমেন এম এস কে প্রসাদনা ইন্টরভিয়ু তৌদুনা খনগনি হায়রি।

ইন্টরভিয়ুশিং হৌজিক হৌরগনি, সোর্টলিষ্ট তৌবা লোইরে। কোচ খনবগী মতাংদা কনাগুম্বা অমত্তনা প্রেসর পীবা লৈতে। সি এ সি অসি মনিং মখা তন্না বোদি অমনি। পাঙথোক্কদৌরিবা প্রোসেস অসি কন্সটিট্যুসনগী মতুংদা চত্থবনি হায়না সি ও এগী মেম্বর রভি থোদগেনা ফোঙদোকখি।

নাকল অমরোমদা দি কম্মিটি ওফ এদমিনিষ্ট্রেটর্স ( সি ও এ) গী ঙসি পাঙথোকখিবা মিটিংদা বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইনিদয়াগী মীখল চহী অসিগী ওক্টোবর ২২ দা পাঙথোক্লগনি হায়না লেপপ্লখ্রে। পাঙথোক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিগী মতাংদসু ইলেক্টোরেল ওফিসার এন গোপালস্বামীগসু য়াম্না কুপ্পা খন্নখিবা লৈখ্রে হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

## ৱেসলি স্নৈদর ফুটবোল মশান্নদগী পোত্থারগনি

*দি হেগু, ওগষ্ট ১৩ (এজেন্সি)ঃ*

নেদরলেন্দস নেসনেল ফুটবোল টিমদা খ্বাইদগী য়াম্না মেটচ মশীং শরুক য়াবা ঙমখ্রবা ৱেসলি স্নৈদর মশান্না অসিদগী পোত্থারগনি হায়না লাওথোকখ্রে।



মশাগী চহী ৩৫ শুরবা ৱেসলি স্নৈদর মহাক্কী ফুটবোল শান্নবগী শাংবা চহী ১৭ কী কেরিয়রদা লৈবাক অসিগী ওইনা মেটচ ১৩৪ শান্নবা ঙমখ্রে।

স্নৈদরগী কেরিয়রদা ৱার্ল্ড কপকী রন্নর্স অপ অমুক ওইবা ঙমখ্রে। মহাক কুমজা ২০০২ দা নেদরলেন্দসকী মকোক থোংবা ফুটবোল ক্লব এজাক্সকী ফুটবোল একাদেবীদা ত্রেনিং ফংলবা মতুং স্পেনগী ক্লব রিয়েল মাদ্রিদ অমদি ইটালিগী ক্লব ইন্টর মিলানদা শরুক য়াদুনা মতম কুইনা শান্নরমখি।

মহাক্না ক্লবশিং অসিদা শরুক য়াদুনা য়ুরোপকী মকোক থোংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা চেম্পিয়ন্স লীগ, স্পেনগী লা লীগা অমদি ইটালিগী সেরি এগী টাইটলশিং লৌবা ঙমখিবনি।

ৱেসলি স্নৈদরনা মহাক্কী কেরিয়রগী অরোইবা ক্লব ওইনা কাটারগী মকোক থোংবা ফুটবোল ক্লব অল ঘারাফাদা শান্নরমখি।

কুমজা ২০১০ ৱার্ল্ড কপকী ফাইনেলদা স্পেনগী মখূত্তা মায়থিখিবা অদুদা নেদরলেন্দসকী টিমদা স্নৈদর শরুক য়াখি। কুমজা ২০১৪ ৱার্ল্ড কপ্তসু সেমি ফাইনেলদা নেদরলেন্দস আর্জেন্টিনাগী মখূত্তা মায়থিহৌখিবনি। স্নৈদর মমাঙ চহীদা ইন্টরনেসনেল ফুটবোলদগী পোত্থাখিবনি।

## ৱেষ্টর পরভিন রানা ট্রাইয়েলদা য়াওররোই

*ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৩ (এজেন্সি)ঃ*

নুপাগী কেজি ৭৪ গী কেটেগোরিদা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী ৱেষ্টলর পরভিন রানা লেঙজুম শোকপনা মরম ওইরগা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপকী ট্রাইয়েলসতা শরুক য়াররোই।

য়ুনাইটেদ ৱার্ল্ড ৱেষ্টলিং (য়ু দব্লিয়ু দব্লিয়ু) না খঙহল্লকখিবগী মতুং ইন্না থা অসিগী ১৮ মমাঙদা ৱেষ্টলিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া ( দব্লিয়ু এফ আই) না ৱার্ল্ড ট্রাইয়েলস অসিদা শরুক য়াগদবা মমিংশিং পীখৎলক্লবা খহনখিবনা পরভিন রানা মহাক্কী অশোকপা অসিনা মরম ওইরগা লিষ্টতা মমিং য়াওবা ঙমখিদবনি।

পরভিন রানাগী ডাক্তরনা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না মহাক য়ামদ্রবদা চয়োল ৪ রোম পোত্থাবা মথৌ তারি। রাজা চহী অসিগী নবেম্বর থাগী মনুংদা মশান্না অসিদা অমুক শরুক য়াবা ঙমগনি হায়রি।

## রুশিয়াগী মারিয়া সরাপোভা ৱেষ্টর্ন এন্দ সাউথর্ন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলসতা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে

*ওহিও, ওগষ্ট ১৩ (এজেন্সি)ঃ*



অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রবা রুশিয়াগী মারিয়া সরাপোভা (ওই) অমদি য়ু এসকী জোন ইসনর

য়ু এসকী সিটি ওহিওদা লৈবা সিনসিনাটিদা ঙসিদগী শান্নবা হৌখিবা ৱেষ্টর্ন এন্দ সাউথর্ন ওপন (সিনসিনাটি ওপন) দা অহানবা রাউন্দ মায় পাক্তুনা রুশিয়াগী মারিয়া সরাপোভা নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

রুশিয়াগী মারিয়া সরাপোভানা ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা য়ু এসকী শান্নরোই এ রিস্কেবু ৬–৩, ৭–৬(৭–৪) দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ৱান সিদেদ ওষ্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্টিগা শান্নরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ৯শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারিবী বেলারসকী অরিনা সবালেনকানা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দদা ক্রোএসিয়াগী পি মার্টিকপু ৬–১, ৬–৪ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

রুশিয়াগী শান্নরোই স্বেটলানা কুজনেটসোভানা ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দদা ১১শুবা সিদেদ লাটভিয়াগী এ সেভাষ্টোভাবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ৭–৬(৭–৩), ৬–৭(৪–৭), ৬–৪ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা য়ুক্রেনগী দি য়াষ্ট্রেমস্কাগা শান্নরগনি।

য়ুক্রেনগী দি য়াষ্ট্রেমস্কানা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দদা দেনমার্কক্কী কেরোলিন ৱোজনিয়াকীবু ষ্ট্রেট সেট অনী ৬–৪, ৬–৪ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

কজাখষ্টানগী ৱাই পুটিনসেভানা অহানবা রাউন্দদা লাটভিয়াগী জেলেনা ওষ্টাপেনকোবু ৬–২, ৬–৭(৩–৭), ৬–৩ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা ৮শুবা সিদেদ য়ু এসকী স্লোনে ষ্টেফেন্সকা শান্নরগনি।

য়ু এসকী শান্নরোই ভেনস ৱিলিয়মসনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দদা অতোপ্পা য়ু এসকী শান্নরোই এল দেভিসপু ষ্ট্রেট সেট অনী ৭–৫, ৬–২ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দদা ৫শুবা সিদেদ নেদরলেন্দসকী কিকি বর্টেন্সকা লম্বা তৌনরগনি।

সিনসিনাটি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসতা শরুক য়ারিবা ১৩শুবা সিদেদ টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক য়ু এসকী শান্নরোই জোন ইসনরনা সর্ভিয়াগী দুসান লাজোভিসপু ৭–৬(৭–৩), ১–৬, ৭–৫ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা স্পেনগী কারেনো বুষ্টাগা শান্নরগনি। স্পেনগী কারেনো বুষ্টানা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দদা ফ্রান্সকী গাইল সাইমোনবু ৭–৫, ৭–৬(৭–৪) দা মায়থিবা পীরম্বনি।

য়ু এসকী অতোপ্পা শান্নরোই সাম ক্বেরিনা অহানবা রাউন্দদা ফ্রান্সকী হরবার্টপু টাই ব্রেক সেট অনী ৭–৬(৭–২), ৭–৬(৭–১) দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দদা নম্বর ৱান সিদেদ সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোভিসকা শান্নরগনি।

নুপাগী সিঙ্গলসতা ১৪শুবা সিদেদ ক্রোএসিয়াগী মারিন সিলিক ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দদা মোলদোভাগী শান্নরোই আর অলবোটকী মখূত্তা ৪–৬, ৬–৭(৬–৮) তা মায়থিহৌখি।

জপানগী শান্নরোই ৱাই নিসিয়োকানা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দদা ওষ্ট্রেলিয়াগী জে থোমসনবু সেট অহুম চঙনা শান্নরবা মতুং ৭–৫, ৫–৭, ৬–৪ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা অতোপ্পা জপানগী শান্নরোই ৬শুবা সিদেদ কৈ নিসিকোরিগা শান্নরগনি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোই নিক কিরগিওসনা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দদা ইটালিগী শান্নরোই এল সোনেগোবু ৭–৫, ৬–৪ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দদা ৮শুবা সিদেদ রুশিয়াগী কারেন খাচানোভকা শান্নরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ৱাইল্ড কার্দ এন্ট্রি ওইনা শরুক য়ারকখিবা আর্জেন্টিনাগী লোনে দরোনা অহানবা রাউন্দদা ইটালিগী এম বেরেট্টিনিবু ৭–৬(৭–৩), ৬–৩ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দদা ৩শুবা সিদেদ ওইরিবা স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদররগা লম্বা তৌনরগনি।

## জর্মন কপ্তা বেয়র্ন ম্যুনিক্না ইনরজি কোট্টবসপু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীখ্রে, ষ্টুট্টগার্টনা হান্সা রোষ্টোকপু ১–০ দা থোইখ্রে

*বর্লিন, ওগষ্ট ১৩ (এজেন্সি)ঃ*

জর্মনিগী চহীগী ওইনা পাঙথোকপা জর্মন কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা বেয়র্ন ম্যুনিক্না ইনরজি কোট্টবসপু পাঞ্জল ৩–১ দা মায়থিবা পীখ্রে, ষ্টুট্টগার্টনা হান্সা রোষ্টোকপু ১–০ দা থোইখ্রে।



জর্মন কপকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা লৈবাক অসিগী মকোক থোংবা ক্লব বেয়র্ন ম্যুনিক্না ইনরজি কোট্টবসপু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

মেটচ অসি হৌবদগী টিম অনীগী মায়কৈদগী য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্নদুনা শান্নরকখিবদগী অহানবা হাল্ফকী শান্নরকপা মিনট ৩০ হৌজিনখ্রবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লাকখি।

মেটচকী ৩২শুবা মিনটতা বেয়র্ন ম্যুনিক্কী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা রোবার্টো লিৱান্দোস্কীনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মিনট ১৩ রোমগী মতম অদু শান্নরকপদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল চনশিন্নবা ঙম্নদনা লাকখিবদগী বেয়র্ন ম্যুনিক্না ১–০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদসু পাঞ্জল মাঙজিল থারিবা বেয়র্ন ম্যুনিক্কী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা এটেক চত্থবগী চাং ৱাংখি। মেটচকী ৬৫শুবা মিনটতা টিম অসিনা চত্থরকখিবা মখা তাবা এটেক অমদা কিংসলি জুনিয়র কোরমেননা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

ইনরজি কোট্টবসকী শান্নরোইশিংনা শোত্থখিবা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ মেটচকী ৮৫শুবা মিনটতা বেয়র্ন ম্যুনিক্কী অতোপ্পা শান্নরোই লিওন গোরেটজকানা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ৩–০ দা মাঙজিল থাদুনা মায় পাকপগী লম্বেল নকশিনহনখি।

মেটচকী অপীবা মতম লোইশিনখ্রবা মতুং ইনজুরি টাইমগী অহাপ্পা অনীশুবা মিনটতা ইনরজি কোট্টবসনা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা বরকান টাজনা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা ঙমখ্রবসু মেটচ অদু বেয়র্ন ম্যুনিক্না ইনরজি কোট্টবসপু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

জর্মন কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ষ্টুট্টগার্টনা হান্সা রোষ্টোকপু গোল ১–০ দা থোইবা ঙমদুনা টিম অসিসু অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

শান্নবগী ১৯শুবা মিনটতা ষ্টুট্টগার্টকী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা অল ঘাদ্দিওয়িনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

পাঞ্জল শোত্থরিবা হান্সা রোষ্টোক্কী শান্নরোইশিংনা অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মিনটশিং অদুদা পাঞ্জল হন্দোক্নবা ফনা কন্না হোৎনখ্রবসু ষ্টুট্টগার্টকী শান্নরোইশিংনা ফজনা মায়োক্নবা ঙমখিবদগী ইক্কেলাইজর ওইবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফকী মতমশিং অদু শান্নরকপদা মায়কৈ অনীদগী অহেনবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্নখিদবদগী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অদু ষ্টুট্টগার্টনা হান্সা রোষ্টোকপু গোল ১–০ দা থোইরম্লগা জর্মন কপকী অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচতা ৱোল্ফসবর্গনা হাল্লেসরবু গোল ৫–৩ দা মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

হাল্লেসরগী শান্নরোই দ্রিনকুথনা মেটচকী ৪৩শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মাঙজিল থাবা ঙমখি। অহানবা হাল্ফ লোইগদবা মিনট অমা ৱাৎলিঙৈদা ৱোল্ফসবর্গকী শান্নরোই ৱেঘোর্ষ্টনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১–১ দা মান্নরগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৪৯শুবা মিনটতা ৱোল্ফসবর্গকী জেরহার্দনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ২–১ দা মাঙজিল থাখি। অদুবু মেটচকী ৫৭শুবা মিনটতা হাল্লেসরকী শান্নরোই মাইনা গোল অমা চন্দুনা ২–২ দা মান্নখি।

মখা তানা শান্নরকপদা ৱোল্ফসবর্গকী শান্নরোই ৱিলিয়ম (৭০), নোচে (৯২) অমদি ৱ্রেকালো (৯৪) না পাঞ্জল অমমম চনশিনখি। মেটচকী ৯২শুবা মিনটতা হাল্লেসরগী শান্নরোই ফেটচনা পাঞ্জল অমা চনখি।

## ক্রোএসিয়ান ইভান পেরিসিক বেয়র্ন ম্যুনিক্তা সাইন তৌখ্রে



*বর্লিন, ওগষ্ট ১৩ (এজেন্সি)ঃ*

ক্রোএসিয়া নেসনেল ফুটবোল টিমগী মমিং লৈরবা শান্নরোই ইভান পেরিসিক ইটালিগী ক্লব ইন্টর মিলানদগী জর্মনিগী চেম্পিয়ন ক্লব বেয়র্ন ম্যুনিক্তা লোন ওইনা সিজন অমা শান্ননবগী সাইন তৌখ্রে।

মশাগী চহী ৩০শুরবা ক্রোএসিয়াগী ৱিঙ্গর অসি লৈবাক অসিনা শরুক য়াখিবা কুমজা ২০১৮ গী রুশিয়া ফিফা ৱার্ল্ড কপ্তা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা লৈবাক অসিবু ফাইনেল য়ৌহনবা ঙমখি।

ইভান পেরিসিক য়াম্না এক্সপরিয়েন্স লৈরবা শান্নরোইনি। মহাক্না ক্লব অসিদা য়াওরকপা অসিনা ক্লব অসিগী মপাঙ্গল হেন্না কনশিল্লগনি হায়না বেয়র্ন ম্যুনিক স্পোর্টস দাইরেক্টর হাসন সালিহামিদজিকনা ফোঙদোকখি। মহাক্না লোয়নননা সর্গে নাব্রি অমদি কিংসলি কোমানসু ভেটেরান অরর্জেন রোব্বেন অমদি ফ্রেঙ্ক রিবেরি পোত্থাখিবদগী য়াওরকখ্রবনি।

ক্রোসৱার্দ ২৪৯ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| B | E | T | S | | A | G | U | A | | T | E | N | E | T |
| L | E | A | K | | S | A | N | G | | B | L | A | R | E |
| A | R | M | I | S | T | I | C | E | | O | A | S | I | S |
| S | I | P | | T | U | N | A | | I | N | T | A | C | T |
| T | E | A | P | O | T | | P | U | R | E | E | | | |
| | | | A | L | E | C | | T | A | S | S | E | L | S |
| S | C | O | P | E | | A | V | O | N | | | V | I | E |
| O | R | G | A | N | | S | A | P | | S | C | E | N | E |
| M | A | R | | | M | I | N | I | | C | A | R | E | R |
| E | M | E | R | S | O | N | | A | S | A | P | | | |
| | | | A | L | O | O | F | | E | M | O | T | E | D |
| I | R | O | N | E | D | | R | E | A | P | | E | A | R |
| R | I | N | S | E | | T | E | R | M | I | N | A | T | E |
| A | S | C | O | T | | A | S | I | A | | U | S | E | S |
| S | E | E | M | S | | T | H | E | N | | T | E | N | S |